# ষ্টেসনদা লাক্কৃবসু কমপ্লেন্ট তৌবা য়ানবা কোলকটা পুলিসনা ৱাটসঅপ নম্বর লোঞ্চ তৌখ্রে




কোলকটা, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী): কোলকটা অমসুং অকোইবা এরিয়াশিংদা খঙহৌদনা কোভিদ কেসশিং খংহেন হেনগৎলক্কুনা মীচমশিংদা নত্তনা পুলিস ফোর্সকী মীওইশিংদসু শোক্লকপগা লোয়ননা মীয়াম্না দিজিটেল প্লেটফোর্মদা কমপ্লেন্টশিং থাঙ্গৎচবা য়ানবা কোলকটাা পুলিসনা পুলিস ষ্টেসন খূদিংমক্কী ওইনা ৱাটসঅপ নম্বরশিং লোঞ্চ তৌখ্রে।

মসিনা মীয়াম্বু পুলিস ষ্টেনশিংদা চয়োম শানা চঙলকপা থিংবদা নত্তনা এদমিনিষ্ট্রেসননা ভাইরস শন্দোকপা লাকশিনবদসু মতেং ওইরগনি। কোলকটা পুলিসকী কম্মিস্নর ভিনিট গোয়ল অমসুং বিধানগর কম্মিসনরেটকী কম্মিস্নর সুপ্রাটিম সরকার য়াওনা পুলিসমেন কয়া কোভিদ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরকপদগী ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা মীয়াম্না কমপ্লেন তৌনবগীদমক পুলিস ষ্টেসনদা লাকহন্দনবা ৱারেপ লৌখি। কোলকটা পুলিস জুরিসদিক্সন মখাদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন ৭৯ মক দেদিকেটেদ নম্বরগা কোন্ননা স্মার্টফোন অমমম পীরে। লোকল মীওইশিংনা ৱাটসঅপতা মখোয়গী কমপ্লেন্টশিং থাদুনা কমপ্লেন তৌগদবনি। মখোয়না ইভিদেন্স ওইনা ওদিও মেসেজশিং থাবা নৎত্রগা জি দি ফাইল তৌবসু য়াই।


সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা, কমপ্লেনেন্ট অদুনা চেজম অমদা মহাক্কী কমপ্লেন্ট অদু ইদুনা নীংথিনা সাইন তৌগদবনি অমসুং মদু ৱাটসঅপ নম্বর অদুদা থাগদবনি। কমপ্লেন্ট অদু রেজিষ্টর তৌগনি অমসুং কমপ্লেনেন্ট অদুদা মতম চানা কমপ্লেন্ট নম্বর অমা থাগনি অমসুং কমপ্লেন্ট অদুদা যূম্ফম ওইরগা এক্সন লৌখৎকনি।

হৌজিক পুলিস ষ্টেসন মনুংদা মী চঙবদা রিস্ক ৱাংনা লৈবা কলিঘাত, ভাৱানিপুর য়াওনা কোলকটাদা পুলিস ষ্টেসন য়াম্না লৈ। প্রোসেস অসিনা লায়না শন্দোকপা থিংবদা মতেং ওইরগনি।

ইভিদেন্স ওইনা শীজিন্নবা য়াবা ফোটোগ্রাফশিংসু নম্বর অসিদা থাবা য়াগনি। ৱাটসঅপতা থাবা কমপ্লেন্ট পূম্নমক ফাইল তৌরে হায়না লৌগনি অমসুং পুলিস কাঙবুশিংনা ক্রাইম মফম অদুদা চৎকনি। অকক্লবা কেস খরদা নৎত্রগা মখা তানা খঙনিংবা লৈবশিংগী মতাংদদি নম্বরশিং অসিদা কোল তৌবসু য়াগনি।

হৌজিক ফাওবদা ওফিসল ২৯৬ কোভিদ ইনফেক্সন লৈরে অমসুং ওফিসল কয়া হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। মসি ফিজিকেল কন্টেক্ট হন্থনবা ঐখোয়না লৌখৎলকপা অহেনবা খোঙথাং অমনি হায়না জোইন্ট কম্মিস্নর অমনা ফোঙদোকখি।

# আই এস আইনা ট্রেনিং পীখিবা পাকিষ্টানি অমগী মায়োক্তা চার্জ সিট ফাইল তৌবগী মতম শাংদোকখ্রে



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা টেররিষ্ট এটেকশিং চথনবা থৌরাং তৌরম্বগী মরালদা ফাখিবা পাকিষ্টানি নেসনল অমা ওইরিবা আই এস আইনা ট্রেনিং পীখ্রবা আশ্রফ অলিয়স অলি অহম্মদ নুরিজু ফাখিবা দেল্লী পুলিসকী স্পেসল সেলনা চার্জ সিট ফাইল তৌবগী মতম নুমিৎ ৯০ নি শাংদোকহনখ্রে।

ইনভেষ্টিগেসন চথরিবা ওইবনা চার্জ সিট ফাইলিংগী মতম শাংদোকহনখিবনি। স্পেসল সেলনা কোর্টতা মতম শাংদোকপীনবা হায়জখি। এদভোকেট দীপক ত্যাগিনা খোঙথাং অদুবু ওপোজ তৌখি অমসুং নুমিৎ ১৫ দগী ২০ নিদগী হেন্না মতম শাংদোক্লোইদবনি হায়না য়েৎখি। কোর্টনা আর্গ্যুমেন্ট অপূম্বা তারবা মতুংদা দেল্লী পুলিসকী দিমান্দ অদু য়াখি অমসুং চার্জসিট ফাইলিংগী মতম শাংদোকহনখি।

হৌজিক ফাওবগী ইনভেষ্টিগেসনদা মোহম্মদ অশ্রফ থাইলেন্দ অমসুং য়ু এ ঈদা চৎখি লোয়ননা মহাক আই এস আইগা শম্নবদা নত্তনা ইন্দিয়াদা রাইওটকী ফিভম লাকহনবা পাম্বা অতে মীওইশিংগা শম্নে হায়বসি খঙলকখি।

স্পেসল সেলনা ইন্দিয়াদা লৈ হায়বা মহাক্কী এসোসিএটশিংগী শক্তমশিং য়েকথোকখি। সেল অসিনা মখোয়গী প্রেমিসেসতা রেইদ কয়া চথুখি, তৌইগুম্বসুং করিগুম্বা অমত্তা ফংবা ঙমখিদে।

পাকিষ্টানগী ইন্টলিজেন্স এজেন্সি আই এস আইনা ট্রেনিং পীবা অশ্রফ হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাদা দেল্লীগী লক্সমি নগরদগী ফাখি। মহাক কুমজা ২০০৪ দগী ইন্দিয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা লৈরকখি অমসুং এস্পওনাজ অমদি খূৎলায় সপ্লায়গী থবক্তা চেন্নখি হায়বসি স্পেসল সেলনা খঙলকখি।

ইন্দিয়াদা টেররিজম শন্দোক্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মহাক আই এস আইগী ওর্দরদা থবক তৌখি। মহাক্না তৎতনা শম্নখিবা নৎত্রগা ফাওনখিবা পাকিষ্টানি হেন্দলর নাসিরনা মঙোন্দা স্পায়িং অমসুং এন্টি-ইন্দিয়া এক্টিভিটিশিং চথনবগী দিরেক্সন পীখি। অশ্রফনা স্পেসল সেলদা মহাক লোনা য়াদবা খূৎলায়শিং পুথোক পুশিন তৌবা য়াওনা টেরর এক্টিভিটিশিংদা চেন্নখি হায়না হায়দোকচখি।

স্পেসল সেলনা হায়খি মদুদি, একু্যজ অসি দেল্লী অমসুং অতৈ ষ্টেট কয়াদা টেররিষ্ট এটেকশিং চথনবা নোংমৈ অমসুং এক্সপ্লোসিভশিং লৈবা অমদি সপ্লাই তৌনবা হোৎনবদা খুমাঙ চাওশিল্লমখি।

স্পেসল সেলনা হৌজিক ফাওবদা মীওই তরেৎকী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌরে। মখোয়না অশ্রফকী মায়োক্তা ষ্টেটমেন্ট পীখিবনি।

## ঊন তাবদগী হিমাচল প্রদেশতা লম্বী ৪০০ হেন্না থিংজিনখ্রে

সিম্লা, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী): নোংমাইজিং নুমিৎতা হিমাচল প্রদেশতা ময়ায় ওইরপ্পদগী কা-হেনবগী ফাওবগী চাংদা মখা তানা ঊন তাখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী লম্বী ৪০০ হেন্না মতম খরা থিংজিল্লুরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকপদা, কনোর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সিম্লা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা নারকান্দা, জুব্বল, খারাপথর, রোহরু অমসুং চোপ্পালগুম্বা টাওনশিংগী লম্বীশিং ঊন থানা তাশিনবদগী চথোক চৎশিন য়াখিদে।

টুরিষ্টশিংনা পাম্নবা মফম অমা ওইরিবা কুফ্রি রিজোর্টতা সেন্টিমিটর ৫৫ থানা ঊন তাদুনা ঊন খ্বাইদগী তাবা মফম ওইখি। দালহৌসিদা সেন্টিমিটর ৩০ থানা ঊন তাখি। কালপা, সিম্লা অমসুং মনালিদা সেন্টিমিটর ২১.৬, মথংশীৎনা সেন্টিমিটর ১৫ অমসুং সেন্টিমিটর ২ থানা ঊ তাখি।

হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা কুল্লু, চম্বা, সিরমোর, সিম্লা, মন্দি, কিনোর অমসুং লাহোর-স্পিটি দিষ্ট্রিক্টশিংগী খরা ৱাংবা মফমশিংদা ঊন কা-হেন্না তাখি। ঊন কন্না তাবদগী মনালিগী অপ্পর এরিয়াশিংদা লৈরিবা লম্বীশিং থিংজিনখ্রে। মেট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা ষ্টেট অসিদা ময়ায় ওইরপ্পদগী কা-হেনবা ফাওবগী চাংদা ঊন তারবা য়াই।

ষ্টেট অসিগী খরা নেম্না মফমশিং মরু ওইনা সোলান, কঙ্গ্রা, বিলাসপুর, হমিরপুর অমসুং উনা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ময়ায় ওইরপ্পদগী কনবা ফাওবগী চাংদা নোং চুখি।

## দেল্লীদা ফেক ইন্দিয়ান করেন্সি নোটশিং সপ্লায় তৌরম্বা মীওই অমা ফারে

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী): দেল্লী পুলিসকী স্পেসল সেলনা ফেক ইন্দিয়ন করেন্সি নোট (এফ আই সী এন) সর্ক্যুলেট তৌবা ইন্টরনেসনল সিন্দিকেট অমা থেংনখিবগা লোয়ননা নেসনল কেপিটেল অসিদা ফেক করেন্সিশিং সপ্লায় তৌবা মরু ওইবা মীশক অমা ফারে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি। একু্যজ অদুগী মমিং রাইসুল অজাম কৌই, বিহারগী মোতিহরিদগীনি হায়রি।

ওপরেসন অদুগী অকূপ্পশিং পল্লদুনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস (স্পেসল সেল) জসমিত সিংহনা ফোঙদোরকপদা, ইন্দিয়াদা দিষ্ট্রিক্ট মোতিহরি (বিহার)দা লৈবা রাক্সোলগী খূথাংদা ইন্দো-নেপাল বোর্দরদগী এফ আই সী এন সর্ক্যুলেট তৌরে হায়বা পাউ অমা হৌখিবা ২০২১গী ওক্টোবরগী অরোইবা শরুক্তা ফংখি।

মখা তাবা পাউশিংসু ফংখিবগা লোয়ননা থা অনীগী মতুংদা পুলিস টিমনা এফ আই সী এন সিন্দিকেট অসিগী মরু ওইবা সপ্লায়রগী মরমদা অরোনবা পাউ ফংখি। সিন্দিকেট অসি দেল্লী-এন সী আর, উত্তর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, বিহার অমসুং ইন্দিয়াগী অতৈ শরুকশিংদা এফ আই সী এনশিং সপ্লায় তৌবদা চেন্নে।


একু্যজ অজম ফেক ইন্দিয়ন করেন্সি নোটশিংগী কন্সাইনমেন্ট অমা শিন্ননবা হোৎনরিঙৈ সেরাই কালে খান বস টর্মিনেল, রিং রোদকা নক্লবা ইন্দ্রপ্রস্থ পার্ক মনাক্তগী ফাখিবনি। দি সী পিনা মখা তানা হায়, মঙোন্দগী লুপা লাক্ষ ২.৯৮গী লুপা ৫০০ চৎপী করেন্সি নোটশিং রিকোভর তৌখি। মতুং তাবদা লোগী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা স্পেসল সেল পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি।

ৱাহং পাউহং চথবদা একু্যজ অজমনা ফোঙদোরকখি মদুদি, মহাক্না লুপা লাখ ৩গী এফ আই সী এনগী কন্সাইনমেন্ট অদু সুরেশ কৌবা নেপাল নেসনল অমদগী লৌখি। মহাক মখা তানা সপ্লায় তৌনবগীদমক দেল্লীদা লাকখিবনি।

হৌখিবা চহী ১৪/১৫রোম অসি মহাক লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা এফ আই সী এন চাইথোকপগী থবক্তা এক্টিভ ওইনা চেন্নরকখি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। দিমোনিটাইজেসন মতুং হৌখিবা চহী ৪রোম অসিদা দেল্লীদা লুপা ক্রোর অমা হেনবগী ফেক করেন্সি সপ্লায় তৌখ্রে হায়না একু্যজ অসিনা ফোঙদোরকখি।


### ꯑꯩ ꯁꯄꯣꯔꯠ (ꯄ꯭ꯔꯣꯐꯦ.) ꯗꯣ. ꯅꯤꯃꯥꯏꯆꯥꯟꯗ ꯂꯨꯋꯥꯡ

### WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG



ঐখোয়গী লৈবাক্কী Prime Minister Shri Narendra Modi গী লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী প্রজাশিংগীদমক্তা পায়খৎলক্লিবা তোঙান-তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী Scheme কয়া প্রজাশিংগী মফমদা পাক-শন্না খঙহনবা অমদি মদুবু মায় পাক্লবগী খোঙজংদা য়াওশিন্ননবগী পান্দমদা Prof. Dr. Nimaichand Luwang গী লমজিং মখাদা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Polling Station No. 32/18-Wangkhem গী নুপীশিংগী ওইবা মেম্বর 40 না শাবা Women Volunteer Group অমা শেমজরে।

ঐখোয়গী Group অসিনা Prime Minister Shri Narendra Modi বু তৌবিমল খঙবা উৎপা অমদি Support তৌবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ২০২২গী February থা ফাওবদা পাঙথোক্কনি হায়নরিবা 12-Manipur Assembly গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency দা Prof. Dr. Nimaichand Luwang বুসু পুকচেল শেংনা Support তৌজরি।

**Support তৌজরিবশিং :- L. Nonibala Devi, President**
**S. Sushila Devi, Secretary**
**L. Kabita Chanu, Treasury**

HL-P/1130 /10


## কোভিদ কেস ৱাংখৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা কোংগ্রেসনা মেকেদাতু পদয়াত্রা লোঞ্চ তৌখ্রে



রামনগর, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী): কর্নাটকাদা কোভিদ টেষ্টশিং ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা কর্ফ্যুগী ওর্দরশিং চৎনহল্লিঙৈ মরক্তা ষ্টেট অসিগী রামনগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মেকেদাতু সঙ্গমাগা নক্লনা কোংগ্রেসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা চথগবা 'পদয়াত্রা' লোঞ্চ তৌখ্রে।

রাজ্য সভাদা ওপোজিশন লীদর ওইরিবা মালিক আর্জুন খর্গেনা প্রোগ্রাম অদু দ্রম য়ৈদুনা হৌদোকখি। পদয়াত্রা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কোংগ্রেসকী ৱর্কর লিশিং কয়ানা শরুক য়াখি। ষ্টেট অসিদা রুলিং বি জে পি গভর্ণমেন্টনা মেকেদাতু প্রোজেক্ট থুনা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা দিমান্দ তৌরদুনা প্রোটেষ্ট রেল্লি অদু শীল-লাংখিবনি।

কোংগ্রেসনা ক্লেম তৌরিবদি প্রোজেক্ট অদু ইমপ্লিমেন্ট তৌবনা বেঙ্গলুরু সিটি অমসুং অকোয়বা এরিয়াশিংদা থেংনরিবা থক্লবা ঈশিং ফংদবগী প্রোব্লেম কোকহনবদা মতেং ওইরগনি হায়বসিনি। যূমথংনরিবা টামিল নাদুনদি প্রোজেক্ট অদুবু য়াদ্রিবনি। রুলিং বি জে পিনা হায়রি মদুদি মেট্টর অসি সুপ্রিম কোর্টতা লৈরি অমসুং মখোয় প্রোজেক্ট অদুবু ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ। রেল্লি অদু কোংগ্রেসকী ষ্টেট প্রসিদেন্ট দি কে শিভকুমার অমসুং ওপোজিসন লীদর সিদ্দরমাইয়ানা লুচিংখি।

পদয়াত্রা অদুগী লম্বীদা লৈরিবা ভিলেজশিং দেকোরেসন তৌবা উখি অমসুং কোংগ্রেসকী লোকল লীদরশিংনা মখোয়গী লীদরশিংবু লম্বীশিং অদুদা ফাওরকপদা তরাম্না ওকখি। রেল্লি অদুদা ফিল্ম আর্টিষ্টশিং, লাইনিং লাইশোনগী লুচিংবশিং অমদি কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদরশিংনা শরুক য়াখি।

## কৈগী এটেকতা চহী ১২গী নুপী মচা অমা শিরে

বেহরাইচ, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী নেপাল বোর্দরগা তায়নবা অব্দুলাগঞ্জ ফোরেষ্ট এরিয়াদা কৈ অমনা এটেক তৌবদা চহী ১২দা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা শিখ্রে।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা, চেন্নাইনি ভিলেজদা লৈবা প্রসুরাম য়াদব কৌবা অমগী মচানুপী সিমা য়াদব শজিক পীজনবগীদমক থাংজ নুমিৎতা শুক্লবা চরদা ফোরেষ্টতা মখোয়গী হামেংশিং পুথোক্লুবদা কৈ অদুনা মহাকপু চেনখিবনি।

ফোরেষ্ট ওফিসল অহম্মদ কমাল সিদিকিনা হায়, ফোরেষ্ট অদু বেহরাইচ ফোরেষ্ট দিভিজননা কোনবা অব্দুলা গঞ্চ বেঞ্চকী মনুং চল্লি। নুপীমচা অদুবু ঈ তৈরবা মফমশিং য়েংদুনা থী-হুম্বা তৌখিবা ভিলেজরশিং অমসুং ফোরেষ্ট ৱর্করশিংনা মহাক্কী মকোক অমদি হকচাংগী অতৈ মফম কয়াদা কা-হেন্না শোক্লগা তারম্বা থেংনখি। মহাক হোস্পিটাল য়ৌদ্রিঙৈদা শিখি।

সিদিকিনা হায়, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা হৌজিক চৎনরিবা কাঙলোনশিংগী মতুং ইন্না নুপীমচা অদুগী ইমুংদা মতেং পীখ্রে। মহাক্কী পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্ট লাক্লবা মতুংদা কম্পেন্সেসন পীরগনি।

ওফিসর অসিগী মতুং ইন্না ফোরেষ্ট ৱর্করশিংনা ভিলেজরশিংদা অঙাংশিংবু মথন্তা মপান্দা থোকহন্দনবা তোয়না চেকশিনৱা হায়দুনা লাক্লি। ভিলেজরশিংদা গ্রুপ ওইনা মপান্দা থোক্লবসু খঙহনখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা কটারনিয়াঘাত ৱাইল্ডলাইফ দিভিজনদা কবোকৈ অমনা চহী ১০ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা চেনখিবগা লোয়ননা মহাকপু ফিভম থীনা শোকহল্লগা থল্লম্লে হায়রি।

দিভিজনল ফোরেষ্টর অকাশদীপ বধৱানগী মতুং ইন্না অঙাং অদু সন্তোশ য়াদব কৌই।


### ꯑꯩ ꯁꯄꯣꯔꯠ (ꯄ꯭ꯔꯣꯐꯦ.) ꯗꯣ. ꯅꯤꯃꯥꯏꯆꯥꯟꯗ ꯂꯨꯋꯥꯡ

### WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG

ঐখোয়গী লৈবাক্কী Prime Minister Shri Narendra Modi গী লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী প্রজাশিংগীদমক্তা পায়খৎলক্লিবা তোঙান-তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী Scheme কয়া প্রজাশিংগী মফমদা পাক-শন্না খঙহনবা অমদি মদুবু মায় পাক্লবগী খোঙজংদা য়াওশিন্ননবগী পান্দমদা Prof. Dr. Nimaichand Luwang গী লমজিং মখাদা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Polling Station No. 32/35-Kekru Muslim গী নুপীশিংগী ওইবা মেম্বর 20 না শাবা Women Volunteer Group অমা শেমজরে।

ঐখোয়গী Group অসিনা Prime Minister Shri Narendra Modi বু তৌবিমল খঙবা উৎপা অমদি Support তৌবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ২০২২গী February থা ফাওবদা পাঙথোক্কনি হায়নরিবা 12-Manipur Assembly গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency দা Prof. Dr. Nimaichand Luwang বুসু পুকচেল শেংনা Support তৌজরি।

**Support তৌজরিবশিং :- M.K. Masuda, President**
**M.K. Atombi, Secretary**
**Ibem, Treasury**

HL-P/1130 /10



### ꯑꯩ ꯁꯄꯣꯔꯠ (ꯄ꯭ꯔꯣꯐꯦ.) ꯗꯣ. ꯅꯤꯃꯥꯏꯆꯥꯟꯗ ꯂꯨꯋꯥꯡ

### WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG

Prime Minister Shri Narendra Modi না মণিপুর মীয়ামগীদমক পায়খৎপীরিবা তোঙান-তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং মায় পাক্লা পাঙথোকপদা মতেং পাংনবগী পান্দমদা (Prof.) Dr. Nimaichand Luwang গী লমজিং মখাদা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Polling Station No. 32/19-Wangkhem Mayai গী নুপীশিংগী ওইবা মেম্বর 54 না শাবা Women Volunteer Group অমা শেমজরে।

Group অসিনা India গী Prime Minister Shri Narendra Modi বু পূকচেল শেংনা Support তৌবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদবা 12-Manipur Legislative Assembly গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency দা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনবা থৌরাংজরিবা Prof. Dr. Nimaichand Luwang বুসু মপূং ফানা Support তৌজরি।

**Support তৌজরিবশিং :- L. Bila (President)**
**Th. Roni Devi**

HL-P/1130/10


### নুঙগী ক্বারিশিংদা রেইদ চথবা লেপত্রি

থিরুভনন্তপুরম, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী): কেরলাগী ইরনাকুলম অমসুং কোট্টায়মদা লৈবা নুঙগী ক্বারি মরিদা রেইদ চথবা হৌখ্রবা ইনকম টেক্স (আই টি) দিপার্টমেন্টকী টিমশিংনা তোঙান তোঙানবা প্রেমিসেসতা মখা তানা থী-হুম্বা চথুরি।

আই টি টীমশিং অদুনা ক্বারিশিং অদু লুপা ক্রোর ২০০ হেনবা টেক্স থীদনবা অরানবা থৌওং কয়া চথুরমখি হায়বসি খঙবা ঙমখি। শগোলশেন নুমিত্তা হৌখিবা রেইদশিং অদু হৌজিকসু মখা তানা চথুরি অমসুং আই টিগী টিমশিং অদুনা টেক্স ফ্রোদকী ইভিদেন্স কয়া ফংবা ঙমখি।

ক্বারিশিং অদুদা রেইদ কয়া চথুরবা মতুংদা মখোয়গী মপুগী প্রেমিসেসতসু থিবা হুম্বা চথুখি। রেইদশিং অদু ঈংনা-চিক্না চথুবা হায়বদু ওইখিদে। একু্যজশিংনা টেক্স ফ্রোদকী ইভিদেন্সশিং মাঙহন্নবা হোৎনখি হায়রি।

ক্বারিশিং অদুদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংনা ইভিদেন্সশিং মাঙহন্নবা হোৎনবদগী আই টি টিম অদু রেইদশিং অদু চথুবদা অৱাবা অমা ওইখি। সোর্সশিংগী মতুং ইন্না ক্বারিশিং অদু বেনামি মনি ট্রাঞ্জেক্সনশিংদা চেন্নে।

## পীক্লিবা মচাশিং হাৎকনি হায়না কিহল্লগা নুপী জজ অমদগী শেল লৌথোকখিবা নুপা অমা ফাদোক পীখ্রে



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী): কুমজা ২০০৭তা নুপী জজ অমবু মহাক্কী পীক্লিবা মচা অনী হাৎকনি হায়না কিহল্লগা নমদুনা শেল লৌথোকপীখিবা মহাক্কী কোর্টতা এসিষ্টেন্ট অহলমদ অমা ওইনা থবক তৌখিবা নুপা অমা চহী ৫ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

শিভা সঙ্কর প্রসাদ সিনহা কৌবা মীওই অদুদা জেলগী চৈরাক অদু পীরদুনা দেল্লীগী কোর্ট অদুনা হায়খি মদুদি, থৌদোক অদুনা জষ্টিসকী থবক্তা শোকহনবগা লোয়ননা জজশিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফকী মরক্তা থাজনবা মাঙহল্লে।

চীফ মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট পঙ্কজ শর্ম্মনা হায়, থৌদোক অদুগী মমাঙদা কনভিক্ট শিভা সঙ্কর প্রসাদ সিনহা কমপ্লেনেন্ট কিরন বাসলগী কোর্টতা এসিষ্টেন্ট অহলমদ অমা ওইনা থবক তৌখি। মতমদুদা কমপ্লেনেন্ট অসি সিভিল জজ অমা ওইখি। মতমদুদা মীওই অসি জজ অসিগী ইমুংগী মীওইশিং অমদি মহাক্কী অশোনবশিং খঙবা ঙমখি।

কনভিক্ট অসিনা ক্রিমিনেল অমগী থৌওংদা লেপ্তুনা মেসেজ কয়া ভিক্টিম অসিদা থাদুনা শেল লৌনবা হোৎনখি। সিনহানা টিস হাজরি দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্সতা মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট অমা ওইনা থবক তৌরিবা কমপ্লেনেন্টতগী লুপা লাক্ষ ৪ দিমান্দ তৌখি। মহাক্না করিগুম্বা শেনফম অদু পীদবা তারবদি কমপ্লেনেন্টকী পীক্লিবা অঙাংশিং হাৎকনি হায়নসু কিহনখি।

টেক্স মেসেজ অমদা কনভিক্ট অসিনা ভাসলগী ইমুং পূম্বা হাৎকনি হায়না কিহনবসু লৈখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা একু্যজ অসি সর্ভিসতগী লৌথোকখি। ইরাই নুমিৎতা পাস তৌখিবা ওর্দরদা কোর্টনা হায়খি মদুদি থবক মফম অমদা থাজনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং লৌই। মহৌশানা কো-ইমপ্লোয়ীশিং নৎত্রগা ওফিসর অমনা মহাক্কী সপোর্ট ষ্টাফতা থাজবা থম্মী।

কনভিক্ট অসিনা মহাক্কী বোসকী অশোনবা খঙখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মচাশিং শিহল্লগনি হায়বগী অকিবা পোকহন্দুনা মঙোন্দগী নমদুনা শেল লৌনবা হোৎনবদা থাজবা অদুবু লান্না শীজিন্নখি। কনভিক্ট অসিনা কমপ্লেনেন্ট ওইরিবা মহাক্কী বোস অদুগী থাজবা মাঙহনবদা নত্তনা ওফিসর অমনা মহাক্কী সপোর্ট ষ্টাফতা থল্লিবা থাজবসু মাঙহনখি। জজশিংগী ৱাখলদা অকিবা পোকহনবা অসিনা মহাক্না থবক নীংথিনা তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গলদা অকায়বা পী। মসিনা জষ্টিস পীবগী সিষ্টেমদা হকথেংননা শৌগৎলি। অদুনা মসি ঙাকপীনিংঙাই ওইদবা থবক অমনি হায়না কোর্টনা মখা তাখি।

ক্রাইম অদু য়াম্না ফত্তবা থবক অমনি, মদুনা জষ্টিস দেলিভরিদা চাওনা শোকহনবদা নত্তনা জজশিং অমসুং সপোর্ট ষ্টাফকী মরক্তা থাজনদবা লৈহল্লে হায়না কোর্টনা হায়খি। কনভিক্ট অসিদা কোর্টনা খরা কোমথোকপা চৈরাক পীয়ু য়াখিদে। অসিগুম্বা ক্রাইম তৌখিবা মীওই অমদা মতিক চাবা চৈরাক পীদ্রবদি মদুনা অতৈ মীওই কয়াবুসু মতুং তাবদা অসিগুম্বা ফৎত্রবা থবকশিং তৌনবা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা থোক্তুনা সিষ্টেম অসিদা হেন্না শোকহল্লগনি হায়না কোর্টনা ফোঙদোকখি।


### ꯑꯩ ꯁꯄꯣꯔꯠ (ꯄ꯭ꯔꯣꯐꯦ.) ꯗꯣ. ꯅꯤꯃꯥꯏꯆꯥꯟꯗ ꯂꯨꯋꯥꯡ

### WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG

India গী Prime Minister Shri Narendra Modi না লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক্তা পায়খৎলক্লিবা তোঙান-তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া-কয়া মায় পাক্লা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙম্নবা মীয়াম্বু মতেং পাংনবগী পান্দমদা (Prof.) Dr. Nimaichand Luwang গী লমজিং মখাদা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Polling Station No. 32/38-Chongtham Leirak Bishnunaha Mayai Leikai গী নুপীশিংতগী ওইবা মেম্বর 32 না শাবা Women Volunteer Group/Committee অমা শেমজরে।

ঐখোয়গী Group/Committee অসিনা লৈবাক অসিগী Prime Minister Shri Narendra Modi গী মফমদা তৌবিমল খঙবা অমদি Support তৌবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা 12-Manipur Legislative Assembly গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency দা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনবা থৌরাংজরিবা Prof. Dr. Nimaichand Luwang বুসু পূকচেল শেংনা Support তৌবা ফোঙদোকচরি।

**Support তৌজরিবশিং :- 1. M. Ibecha Devi (President)**
**2. Ch. Anajana (Secretary)**
**3. L. Kiranbala (Treasurer)**

HL-P/1130/11